ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯖꯅꯨꯋꯥꯔꯤ ꯲꯹, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯳꯰꯱ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, জন্যুৱারী ২৯, ২০২২, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ৩০১শুবা মশীং

# তম্পাক্তা লো, চীংদা ওর্দর

## থোং মান্নহনবদি ফবনিসে

লো এন্দ ওর্দর হায়বা ৱাহৈ অনীসি থাদোক্লবা য়াদবা, মতম খুদিংমক্তা তুনা চৎমিন্নগদবা ৱাহৈশিংনি। লৈবাক অপূনবগী ৱাফম নত্তুনা ৱাহৈশিংসি ষ্টেট অমগীদি য়াংলেন শরূনি। হিংবা, লম্ খুদিংমক্তা চাওখৎনবা থৌরাংশিং পায়খৎপগা লো এন্দ ওর্দরগা হকচিন্নবা মরী লৈনৈ। ষ্টেট অমসুং লৈবাক অমদা লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম্বু ফৎত্রবদি মফমদুদা লৈরিবা মীয়ামগী পুন্সি তংদু লৈতারোই, নে তারোই। ফীভমসিদা লৈরগদি মখল পূম্নমক্কী চাওখৎ-থৌরাংশিং পায়খৎলকপদা মপূং ফারোই। অয়েৎ-অপন অমসুং য়ৈখাই-থিনগাইবনা পীক থন্নি। খুনু মখোঙ শল্লৌবগুম শোয়দনা থোকহল্লক্কনি। অদুগা লো এন্দ ওর্দর হায়বা ৱাহৈ অনীসিনা পীরিবা ৱাহন্থোক্লা লৈরিবা, লৈবাকসিদা চৎনরিবা লোশিং অসিবু ঙাক্লা চৎনহনবা হায়বনি। লোবু ঙাক্তুনা অমসুং ইন্দুনা চৎপা মচৎ অদুগী অশেংবা মশক লৈবা, উরবা ফীভম অদুবু লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম, ফগৎলবা শক্তম হায়বনি। মসিগীদমক মফম খুদিংমক্তা লো এন্দ ওর্দর ঙাক্লিবনি, ফীভম ফনা থম্নবা হোৎননরিবনি। অদুবু ৱাহৈ অনীসিগী মনুংদা লো হায়বসিদি শেমদুনা থম্বদগী লেংদনা অদুম্মক লৈজরবনি। ওর্দর হায়বসিনা লৈজবদগী চৎনরক্লিবা লোশিং অসিবু ঙাক্লা চৎহন্নবা হোৎনবা, মসিবু খোঙ্গাওনহন্দুনা মসিগী মায়োক্তা লৈহন্দনবা হোৎনবা, থুগাইদুনা শীংনরকপশিংবু মখোয়না মশক থীহল্লিবা লোশিংদুগী মতুংইন্না চৈরাক পীবগী থবকপু ওর্দর হায়বনি। অনীমক মথ্বায় চপ মান্ননা পালহন্দুনা চৎনহনবগী তঙাইফদবা লৈ, মখা তানসু লৈখিগনি। অদুবু পীকখ্রবা মণিপুরদদি লো এন্দ ওর্দরগী ৱাফমসি তম্পাক্তনা লেংদবা মপূম ওইনা লৈরিবা লোশিংদি অদুম্মক লেংদনা লৈবা, চৎনবা অদুগা চীংদনা ঙাক্লা ইন্দুনা চৎফম থোক্লবসু ইন্দনা অমসুং ঙাক্তনা চৎত্রবসু য়াবা, ঙাক্লা চৎলক্ত্রবসু করিসু তৌবা ঙমদবগী ফীভম অমদা লৈহল্লবা মখল অমগী ওর্দর ওন্থোরকপগী ফীভমদা অদুম্মক লৈরি। লৈরিবা ফীভমসি হৌজিক্কী অমসুং ঙসি ঙরাংখক্কী ওইবা ৱাফম নত্তে। মমাঙদা থৌদোক ৱাথোক কয়া থোকখ্রবনি। থৌদোকশিংদুনা শঙ-শঙ উৎতুনা তাক্তুনা লৈখ্রবনি। মসিগী থৌদোক ময়ামদুগী মরক্তগী অমখক্তমক চিংখৎতুনা য়েংলবদা চহী খরগী মমাঙদা হৌজিক মোরেদা লৈরিবা পুলিস কম্মান্দাগী পোষ্ট অসি থম্ননবা হোৎনখিবদা মোরেগী চীংমী নুপা-নুপীশিং থোরক্তুনা মোরেদা কম্মান্দো থম্বা য়ারোই হায়খি। ইম্ফালদগী মোরে ফাওবগী লম্বী থিংদুনা খোঙজং চঙশিনখি। মোরেদা লো এন্দ ওর্দর ঙাকপদা পুলিস কম্মান্দোশিংবু মতেং পাংহন্নবা হোৎনখিবদা য়ানীংদবা ফোঙদোক্লখ্রিবা করিগীনো?

কম্মান্দোশিংনা মমাঙদা লৌখিবা থৌদাংশিংদা লৈবাক ৱাথোক ওইখিবা, য়ানীংদবা, পেন্দবা কয়া য়াওখ্রবসু মোরেদদি অদুগুম্বা থৌওংশিংদু য়ারোই হায়গদবা নৎত্রা? শিরগেমখৈ কম্মান্দো থম্বা য়ারোই হায়দুনা খোঙজং চঙশিনখ্রিবা করিগীনো? মসিবু চীংদা লো লৈবা অমসুং ওর্দর ঙাক্লা চৎপগী চপ চাবা ৱাহন্থোক ওইগদৌরিব্রা? মোরেগী হৌখ্রবা থৌদোক্তুমা লৈজখ্রসনু। লৈঙাক্লা ঙমদুনা মোরেদা কম্মান্দো পোষ্ট অমা থমখ্রে। হৌজিক লাক্লিবা ৱাফম হায়ববু মোরেদসু তম্পাক্কী অতৈ মফমশিংদা লৈহল্লিবা অসিগুম্না লো লৈহনবা ঙম্লব্রা অমসুং ওর্দর ঙাক্লা চৎনহনবা ঙম্লব্রা হায়বগী ৱাফমখক্তা ঙাইশিল্লক্লে। অদুবু ৱাহংসিগী পাউখুম ঙাইরিঙৈদা জন্যুৱারী ২১, ২০২২গী নোংয়াই মতুংদা কাংপোকপীগী নেসনল হায়ৱে পরিংদা থোকখ্রিবা থৌদোকশিংদুবু করিগীনো? নহানমখৈগুম্না অসামগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী গ্যাস, পেত্রোল, দিজল অমসুং ফ্লাইটশিংগী থাও পুরগা লাকচবা টেঙ্করশিং পাক্তক্লনা নূঙনা থারগা থুগাইখিবনি। পূন্না টেঙ্কর ১২০ লোম লাকপনি। অদুসু সেন্ত্রেল রিজার্ভ পুলিস ফোর্স (সী আর পি এফ) কী মশীং য়াম্লবা পর্সনেলশিংনা মনিং-মমাঙদা চপ্তুনা পুরকখিবনি। অদুবু থৌনা ফবা বন্দ শৌগৎপশিংনা টেঙ্কর ১২০ লোমগী মনুংদা ১০৫ নূঙনা থাদুনা থুগাইরকখিবনি। দ্রাইভর ৫না অশোক অপন নংখিবনি। য়াম্লবা গাড়ী ১০০গী মথক্তা থুগাইখ্রিবদু মিনট ৫/১০ খক্তদা তৌখিবা থবক নত্তে। পুং খরা চঙনা চত্থখিবা থৌওংনি। মদুদা টেঙ্করশিং অদুবু ঙাক শেল্লকখিবা সী আর পি এফকী নোংমৈ পায়বা পর্সনেলশিংদু 'হে রাম' হায়বদগী হেন্না করিসু তৌবা ঙমখিদে। কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট পুলিসসু হৌদোংনা ঙা চারি, য়েংলি হায়দুনা লৈখি। ফীভমসিদবু ষ্টেটসিগী লো এন্দ ওর্দর হায়বা ৱাহৈ অনীসিগী মনুংদা চীংদা লো লৈত্রে, মসিবু চৎনহনগদবা ওর্দরসু ঙাক্লা চৎত্রে হায়বদা হেঞ্জিনবা ৱাফম ওইগদ্রা? অদুনদি ষ্টেটকী য়াংলেন শরূ ওইরিবা লো এন্দ ওর্দর ফাওবা চীং অমসুং তমদা থোং মান্ননা চৎনহনবা ঙমদবা লৈঙাকসিনা ঙাইহাক লৈতনা চীং-তম শমজিন্নদুনা মান্নহল্লে, অমত্তা ওইহনবা ঙম্লে হায়রিবা ৱাঙাঙ-শঙাঙসিবু থাজবা য়ারিব্রা হায়বনি। লৈঙাক্কী লোয়শঙশিংগী হৌনবী চেদা অমসুং চিন্দা খক্তমক লৈবাক ঙাকপগী চৎনবীদু অদুম্মক লৈরি হায়বা নৎত্রা?

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৪

১) *''দেবম''* হায়বা অঙাংগী নোভেল অসি ওরিজিনেল করি লোলদা কনানা ইবদগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?
২) **''শোক্লবা থম্মোয়গী খোল্লাউ''** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?
৩) **''নুংশি ৱারী''** হায়বা নোভেল অসি কনানা ইবনো?
৪) *''চোলোম পরেং''* হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?
৫) ***''তাইবঙ নমু পোংওইবশিংনা কোরৌ নোংজা খুদিংবু, পূক্লিং ৱারৈচল পায়মা হকশোল লাংনা অৱাবা ৱাখল্লবা পামেন উফাল অকায়বদা ফম্না তরা খূৎপুন হুক্লবা। নুমিদাং ইনুং য়াচঙবদা মিৎয়েং নাওসুমলবা। মোমনু নুজা মথোক কারকপীবু পানগন খূৎঙমথীনা, হৈরাং শংনা চারবা। নমু মীরমচৎ অসিগুম্বশিংদি। শীঙেল নাৱোইদোংনা; পমেন উমং ঙান্না শাৎলিদি হায়ববু; লৈরাং লৈমন য়াওদবনা, শীংলেল মাবু লৈথানদবা অদুগুম্বনে।''***
ৱারেং মতেক অসি করি লাইরিক্তগী লৌথোরকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারী ৩০, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।
ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# মকুবোক, পোষ্টেল বেলোট মখুড়া

**ৱাইরূ-ৱাইরূবদা**

''নহাক মীখল দ্যুটি চৎকদ্রা চৎলোইদ্রা?'' মসিগী ৱাহং অসি মীখল মতম খুদিংদা নোংশাবা মীতৈদা মাগী মরুপ মপাং, শাগৈ-নাতৈ অমদি মীখলগী য়াম্না কন্না চেঞ্জ-চোঙজবা খঙন-চান্নবশিংনা তোয়না হংগনবা ৱাহং অমনি।

ৱাহং অসিগী পাউখুম য়াম্না চুম্না চুম্না মমাঙগী মীখলগী দ্যুটি চৎলমদাই অনী অহুমদা খুমখ্রে। খুল্লিবা পাউখুম অদু মহাক থৌনা অমগা লোয়ননা খুম্বা ঙমখি। মানা খুমখিবা খরদি মহাক ইলেক্সন দ্যুটি চৎকনি, মহাক দ্যুটি য়াওরক্কনি-য়াওরক্লোই হায়বা তম্বা ঙমদ্রি হায়বা অসিনচিংবনি। অহানবা মানা থবক চঙবা মতমদা নহা ইওই ওইনা মীখলগী দ্যুটি চৎপা অসি শীংনবা অমগা লোয়ননা নুংঙাইবা অমা ওইরম্মী। মীখলগী দ্যুটি চৎপগী নুংঙাইবা অমা হায়বদি মখল অমগী নেশা অমা মশাদা ফাওজরম্মী। মাবু য়াম্না মরু ওইবা মীশক অমগুম ভোট থাদবা লাকপা ময়াম অমনা ওমশিনবা, মানা মখোয়বু তান্থোকপা, মাগী মৱা চৎহনবা, ভোট থাদবা মতমদা ফ্রী খরা ওইবা য়ানবা মঙোন্দা তামো, কাকা, য়াম্বুং হায়দুনা পাখং, নহা, লৈশাবী মচা ময়াম অদুনা মঙোন্দা ঙাইহাক কোইন ইন্নবদু মাগী পামজবীদৌনা তৌরম্মী। পোল্লিং ওফিসল মচা অমা ওইনা চৎপদু মীখলগী লোয়শঙনা মাবু পোল্লিং ওফিসর হায়দুনা হায়বীরে। মপুন্সিদা ওফিসর অমুক্তা ওইদ্রিবা নোংশাবা মীখলগী মতমদা ওফিসর ওইবা ফংই। নুমিৎ নীনিদা ওইরবসু। হায়দুনা কান্নদে মানা মীখলগী দ্যুটি চৎপা য়াওবা হৌরকপা মতমদু মহাক য়াম্না নুংঙাইবা অমনি অপাকপা আইদেন্টিটি কার্দ অমগা য়াল্লগা য়াম্না নুংঙাইনা মীরক্তা ফাওরগা চৎপা মঙোন্দা সিক্যুরিটিনা খঙদে অমনা খঙদে অপনবা অমত্তা পীদবা মীখলগী ওফিসল অমনিকা হায়দুনা...। মাগী পোষ্টেল বেলোট অদু মীখল মমাঙদবু ওইরো মতুংদবু ওইরো লৌরগা অপাম্বা কেন্দিদেট অমদা পীখিবা... মদুনা মাগী থৌনা ফবা শকচবা, মহাক কনা অমত্তগী ইনফ্লুএন্সতা ভোট থাদদে, মানা পামজবা মীদা শেল সিকি অমত্তা লৌদনা, নয়া পৈশা অমা লৌদনা তুলসি মনামুক শেংনা ভোট থাদজবা তম্বা নুপা অমনি মালেমদা মশা মথন্তা চাউথোকচবা পোকচবা নুপা অমা ওইনা মশানা মশাবু থাগৎচবা ঙমজরম্মী। মীখলদৌনা নুংঙাইবা চহী মঙাগী কুম্হৈ কদাইদা অমুক লৈরমনি? মীখলগী থবক চৎপা মীগীসু ভোট থাদগদৌরিবা মীয়ামগীসু ... মীখল হায়বদি চাবা থকপা, শেল ফংবা, মীনা লূম্না লূম্না লৌবীবা, ঙা পীরবা, কম্বল য়েল্লবা, লম্বীদা নূঙ চাইরবা, কোয়লাস মশক উবা, লৈত-লায়রবা অৱা অনং হংবীরবা, মীটিং কয়া লাক্তুনা খন্ন-নৈনবীরবা অমুক্তা ফাওবা তৌরদ্রবা ব্যবহার তৌরবা তোয়না থোক্তবা থৌদৌ হায়জবা তাই। মসিবু খজিক্তংদা পেঞ্জগনবা ক্কা মতপ অমদা চিন পৈজরিবা মবুক ফবা প্রজা ঐখোয়না করিগী হরাওরোইদবগী মরম লৈবগে। থোকউদা থোকউ য়াবা মতম, ঈশৈ তাগে ঈশৈ, লীলা য়েংগে লীলা, চাক চান্নগে চাক, শেল পাম্মে শেল, য়ু পাম্মে য়ু, সিদগী হেনবা নন্দন কান্নন ব্রহ্মান্দ অসিদা কদাইদা লৈরমগদগে?



নোংমদি নোংশাবগী মফমদা মীখলগী দ্যুটি চৎকদ্রা হায়না মীখলগী কন্থি থোক্লা চেনবা চোঙবা তৌবা মাগী হেক মখুরা অমনা হেক্তো হংলক্লে। ঙাইহাক লৈরগা মাগী হেক মকুবোক (মাগী হেক নুপীগী মপা) অদুনসু মানা ইলেক্সন দ্যুটি চৎকদবা লৈরবদি মাগী পোষ্টেল বেলোট অদু মঙোন্দা শিন্নরম্মু হায়রে। নোংশাবা মহৌশাগা মান্নদবা মীখলগী চৈনা অমা ফাওরকই - অমরোমদা মাগী হেক মখুড়া (হায়দি মতোন) অদুগা অমরোমদনা মাগী হেক মকুবোক (হায়দি মাগী নুংশিরবী নুপী মশক ফজবী খোঞ্জেল নুংশিবী, হিরোইন মানবী অদুবু পোকপীরিবা মপা হায়দি মানা য়ারমদ্রগদি মচানুপী শকহেনবী অদু লুহোংবা ফংলম্লোইদৌরিবা মালেমদা খ্বাইদগী মরু ওইবা মীশক)! নোংশাবা মকোক ঙাওরে। মহাক মীখলগী দ্যুটি চৎকনি হায়দোক্লিংদ্রে চৎপসু চৎনীংদ্রে। অমা হেনবদা ভোট কাদুনা ক্রোর ক্রোর তানবা য়ারিবা অদুম্বা ভোট অদুবু ফোংনা পীরো হায়দুনা মঙোন্দা অরংনররে। নুমিৎ চূপ্পা মকুবোক, মখুড়া, মকুবোক মখুড়া হায়দুনা ঙাওচৎনদুনা লৈরে। চাক ঈশিং ফাওবা চাবা য়াদ্রে। মাগী নুপীদা শাউই, করিগীনো মীনা লোন্না থাদজগদবা ভোটপু মখোয় মপানা পীয়ু হায়রিসে হায়দুনা। পীদ্রে মকু মমাক কৌনরোইদৌরি। মানমক লেপ্পা ভোটসু নৎতে হায়দনা মাগী নুপীগা লংখৎনৈ। অমরোমদা মাগী মখুড়া! মাসু ভোট অসি মামক্লা লেপ্পসু নত্তে। অদুবু মঙোন্দা পোষ্টেল বেলোট শিন্নদবা তারবদি মহাক্লা নোংশাববু শিরফাওবা খোঙ্গুল তানরোই হায়বগী অকনবা ফিরেপ লৌরকপা য়ারি হায়রি। মতাং অশ্বাইদনি নোংশাবা মীতৈগী থৌনা মাঙলিবা, নেশা কায়রিবা অসি। নোংশাবা থৱায় ৱানা ফমুংদা লোংখ্রাক লোংনা হীপ্পী। মুন্না খল্লে, তরেৎ তরা থোক্লা পোষ্টেল বেলোট অদু লৌরগা শেগায়বনা ফরিব্রা? নৎত্রগা দষ্টবিন অমদা হাপচিনখিবনা ফরিব্রা? লৌদবনা ফরিব্রা? লৌদ্রগনা মাগী মরাইবক্লা করম তৌবা? কনানোমনা অদুম্মক লৌখিরোইদ্রা? কনানা খঙনি হুরানবনা চঙবা ঙমদবা মফম অমমুক লৈরিব্রা? মথা শানীংঙাইগী শানীংঙাই ঙাক্তা! নমাংসু লাং, নতুংসু কৈ ... হে শজি ... হাইফেৎ লুইহে হাইফেৎ। ●

# য়েৎনগদৌবদি নৎত্রে হায়গনি

**নবকুমার ওইনা**

করিগুম্বা ৱাফম অমা অসুম য়েৎনদুনা লৈরগনি হায়বসি মীওইবা খুন্নাইনা য়ানগদৌবা মান্দে। য়েৎনবা তারবসু মীওইবা ঐখোয়গী মরক্তা ওইবা তারি। শাগা মীগা য়েৎনরি হায়রবদি লৌশিংগী নত্তবা পাঙ্গলগী ওইবা য়াই। মীগা য়েৎনদবা চিম্পাঞ্জি লৈরে, মীগা য়েৎনদবা কৈবু লৈরেদা। মীগা মীগা য়েৎনবা, খৎনবা, হাৎনবা করিগী তোক্ত্রিবনো? মালেমগী থাক্তা লান কয়া তৌনরি, লমদম অসিদনা লান তৌবসু ঙমদনা কংয়েত্তমক য়েৎনদুনা লৈবা ৱাফম ময়াম অমা লৈরি। খঙদবগী ওইগদৌরিব্রা?

য়েৎনরিবা খুদিং লাল্লবনি নৎত্রগা অচুম্বা খঙলবনি হায়বা লৈতে। য়েৎনবা হায়বসি খন্নবগী অহানবা খোঙথাং ওইবা য়াবনি। খন্নবগী ৱাখলদা লাক্ত্রবদি কংয়েৎ য়েৎনদুনা লৈগদৌরিবনি। মী অমগী লৌশিংগী থাক অদুগী মখা পোন্না য়েৎনবা য়াবা-য়াদবা নৎত্রগা লোইশিনবা য়াবা-য়াদবা হায়বা ৱাফম অদু লাক্কদৌরিবনি। মদুমক ঙম্নদবগীনি লৈবাক কয়াদা মী কয়া হাৎনরগা লান থোক্লরিবসি। মীওইবা খুন্নাইগী ওইনা পূন্না য়েংলবদি মীওই খরা পঙলবদি হাৎনবসি হেক্তা থোকপা য়াই, মখোয় মশানদি পঙবনি হায়না লৌদে, থৌনা লৈবনি হায়না লৌনবা য়াওরিবনি। থৌনা ফবশিংসি পঙবসু য়াই হায়বা অমা থোক্লকই। মরৈবাক নুংশিবশিংগী মথৌনা ফুদোক্লবা অমসুং মথৌনা লৈবশিংদুনা হায়বা-ইনবদা মালেমসিদা শিরিবা মী মশীংসি মীওইবনা থিবা ঙল্লিবা অসিদগী মশীং খঙদনা হেল্লিবনি। অমা-অনী, চাম্মা-চনি হায়না থিরুবগী করিবু কান্নগদৌরিবনো। মী অদুক য়াম্না হাৎনরগা উহৌরিবা শাশিং অসিগী মমাঙদা করি অমত্তা ইকায়বা পোক্লদ্রিবনি, হেন্না হেন্না ঙম্মী হায়বগী নাপল কানরিবনি। নাপলগী হৌরকফম থিবা তারবদি পঙবগা নক্লফম থোকই, চাওথোকচবা য়াবা হায়বসি নাপলদু নত্তে। নাপল কাবশিংনা মীওইবা খুন্নাইগী চাওথোকচবা য়াবা থবক তৌবশিং কয়া অমসু হাৎখ্রে। লমদম অসিদা শেল হুরাল্লু য়াদবগী হাৎপা য়াওখ্রে, শেল হুরানবা মী ময়াম লৈ হায়নসু থাজনরি। তশেংবদি পঙবগীনি।

থায়নদি ঙসিগী অসিদগী হেন্না ফজবা খুন্নাই অমগুম শাগৎলম্বসু য়ারি। লুচিংবনা হায়বা ইনবা, ফুরুপ নুংশিবগী অতোপ্পা ফুরুপকা লান তৌনবা, হাত্তোক্লবা ঙম্বা হায়বসি ফুরুপ অমগী থৌদাং ওইরম্মী। ফুরুপ অমনা ফুরুপ অমা নমদুনা লৌশিনবা চৎনরম্বদগী ফুরুপ মনুংদসু ফোঙদোক্লদনা য়েংথিনবা য়াওবগী চাং ৱাংখৎনরকখি। থৌওং অদুমক ঙসি ফাওবা মালেমগী মচি খুদিংদা উরক্লি। ফুরুপকী লুচিংবশিংবু লাই ওইনা খুরুম্মীবনি। মমৈদদি ফজবা কাংলোন পুথোকপা ঙম্বা, কাঙলূপ য়াম্না খোমজিনবা ঙম্বশিংবু অচৌবা লাই ওইনা লৌনরকপা ওইগনি। থৌনা লৈরম্বা লাই অদু শিখ্রবা মতুংদা মচা ওইবশিংনা মপা-মপুশিং অদুগী মিংদা লূপ অদু শাগত্তুনা হিংনহৌবদগী লাইদু নীংবা হায়বসি ফুরুপ, লূপ মপাঙ্গল কনখৎনবা ওর্গনাইজ তৌনবা অমত্তা ঙাইরবা খূৎলায় ওইরকখি। ঐখোয়দা মদু য়ৌনা খন্থহৌদবা মানবা অমদগী ইপা-ইপুগী লাই নীংববু থাদোক্লুবগুম্না তৌখি। লাইদু খুরুম্বদি তোকখিদে, নীংজবগী অথুপ্পা ৱাখল্লোন অদুদি মরায় চায়থখি। কনা অমনদি লাইনীংদু মুৎলুবা ওইনা খঞ্জবসু য়াওরক্লবনি। অদু য়ৌনা শোকথরুরে হায়বা তাঙ্কক অমা য়ৌরুরে হায়বনি। লাইদু নীংবা তোক্তবশিংনা য়াফম থোক্তে, য়ারক্লোই। মদুদবু করিগী য়েৎনীংঙাই লৈবা হৌনবগে, মীৎ পাঙথোক্লগা য়েংবদা উরিবা ঙাক্তনি। খন্থনহৌদবদগী ৱাখল মান্নরক্তবনি। চহী চহুমগী মনুংদা থোকখিবা থৌদোক ফাওবা য়েৎনরবদি চহী বিলিয়ন কয়া হৌখ্রবা লৈশেমলোন অদুদি করিগী য়েৎনরোই। খঙবা অমসুং খঙদবদু লায়রি, খুন্নাইগী থাক অমা ওইনা উরকই।

ঙসি ফাওবদা মীওইবা খুন্নাইনা চঙশিল্লিবা লৈশেমলোন খঙনবা হোৎনরিবসি ফনা খুমাঙ চাওশিল্লবসু মিথোলোজিদা থাজবা ময়াম অমা লৈহৌরি। টেক্নোলোজি চাওখৎলকপদগী অচৌবা থিজিনবগী - টেলেস্কোপ পাইদুনা লৈহনবা ঙম্লবনি। অদুদা উরকপশিং লাই নীংবশিংনা থাজবা ঙম্নদ্রবদি য়েৎননীংঙাই ওইরে হায়বা য়াব্রা? য়াফম থোক্তে হায়নগনি, খঙদবশিংনা খঙনবা হোৎনফম থোকপা থৌদাং অমনি হায়গনি। খঙদ্রিবা ওইরগনা খঙদ্রি হায়বা ঙম্বা তাবনি। পোৎ অমা করিগুম্বা মওং অমা নৎত্রগা অমদা শেমলকপনি হায়বদি য়াগনি, কনাগুম্বা অমনা শেম্লম্বনি হায়রবদি মহাক অদু কনানো হায়বরোমদা লাক্লগনি। পোৎ অদু শেমদ্রিঙৈদা মহাক হান্না লৈফম থোকই, মহাক অদু মী মানগদৌবনি হায়বদি লৈতে। মী লৈত্রিঙৈদা মালেম শেম্মী হায়বদি য়ানরে, মী লৈত্রিঙৈদা শেমখ্রবদু মীনা উহৌবা নত্তে, কনাগুম্বনা উহৌবা শারগা ঙাওবসু থাজবা য়াবা ওইদে হায়গনি। ফোটো কয়াগা লোয়ননা খুদম চাংদম পীদুনা ওইবা য়াবা কয়া লৈরবসি ফাওবদা ঐখোয়না থাজবা লাই অমনা শেমখিবনি হায়রবদি য়েৎননীংঙাই অদুম ওইহল্লি হায়বা তারকই। লাই নীংবশিংগী মরক্তসু ইলেক্ত্রোন, এটোম অমসুং প্রোটোন নৈনদুনা ইনর্জিগী অকুপ্পদু নৈনদুনা হৌরকফম থিবা লৈরবনি। লাইনীং খরনা হেক্তা চাওশেম শেল্লম্বগুম অদুম হায়দুনা লৈবসু য়াওরি। হীরম অসিদা লাইনীং ময়ামগী থাজবশিং অসি পূন্না নৈনদুনা য়েংবদা খেন্নরিবা করিগীনো খঙবা ঙম্বসু য়ারিবনি। লাইনীং অমগী মনুংদসু লাইদু খঙবা মান্নরক্ত্রবনি, য়েৎনবা তনবগী পঙলৈ লৈনবা মানবসু য়াওরক্লবনি। মচানা খঙবদু মপা-মমা ওইবশিংনা খঙদবদগী য়াদবদি ইমুং খুদিংদবু লৈরে হায়বা য়ারবনি। ঙক্লিবদি মচা ওইবশিংনা খঙনা-খঙনা মপা-মমাশিংবু ইকায়-খুম্নবা উৎপদগী লাইগী থৌরমদা শরুক য়াবসিসু থাগৎনীংঙাই ওইরিবনি। লাইরিক তম্লবশিংদি লাই খঙলবা লাইগী লিক তম্লবনি হায়বা তারক্লবনি। ঙসিদি মীওইবগী লৌশিংনা পুথোক্লিবা ৱাখল লৌশিং ময়ামসি পাউ ফাওনদ্রবদি খন্নবদা মপূং ফাগদৌবদি মান্দে। থিজিল্লিবা ময়ামসি য়াদবা হায়বসি হৈবোং মনুংগী ৱাদু লাকই, তাফম থোকই, খঙফম থোকই হায়বনি। মী ওইনা পোক্লিবা অমদা লাই ওইনা শেমগৎপসি লৈরমদ্রবদি লাইগী য়েৎনবা অসি লৈরমগদ্রা? মী ওইনা পোকই হায়বদি য়েৎননীংঙাইবু লৈত্রে। মী পোক্ত্রিঙৈদা মালেমদি লাইনা শেমখ্রে হায়রবনি, মী মানবা, মীদা তোংবা লাইনা শেম্বা নত্তে হায়বা য়েৎনখিদ্রা? য়েৎনফম থোক্তবা লাইগী মরমদা য়েৎনরগা হাৎন-শুনবা ওইরবদি য়াম্না লানবা শাজৎ অমা য়াওই হায়গনি। লাইগা শাজৎ-লিচৎ ফজবগা শম্নরক্তবা অমা ওইনা উরকই।

মসিদি মরৈ অমা য়েৎনবা নত্তে, মালেমসিদা লৈরিবা মীওইবা ঐখোয়গী ৱাখলগী অহোংবা লাকপদু খন্নবগী ৱাতনি। থৌ অমা ওইনা থিগৎফমবু থোকই হায়বদুনি। স্কুল, কোলেজদা তম্নরবনি; ৱাখল্লোন খেন্নবগী ৱা ময়াম থোকপনি, লাই লৈ নৎত্রগা লৈতে হায়বদু নত্তে, ঐখোয় কমদৌনা হৌরকই হায়বদু খঙনবা থিবনি। শেল্লকপগী মরমদু মান্ননা খঙমিন্নদবগী ৱাথোক ওইনা লৌনরবদি লানগনি। মিথোলোজি ঙাক্তা চুম্মী হায়না লৌবদি য়ারোইদৌরি, খঙদনা চুম্মী হায়বসু লানগদৌরি। লাইদি নীংবা লাইনা হায়বদি থাজদবা, মীনা হায়বদি হেক্তা থাজশিনবা তারবদি য়েৎননিংঙাই ওই। লাইনা হায়রম্বনি হায়বা করিবু লৈরবগে? থিজিল্লগদি মীনা হায়বা ওইরম্বা তারকই। লাইনি হায়বশিংদু মীনা পোকপা ওইরকই, চোঙশিল্লগা থাজশিনবা নৎত্রগা হেঞ্জিন্না থাজবা মাল্লকই। ঐখোয়সি লাইগী মচানি হায়রবদি লাইনা ঐখোয়তমক পোক্লম্বরা? মফম মান্নদবা, মতম মান্নদবা, লোন মান্নদবা লমশিংদা কোয়চৎ চৎলগা পোক্লল্লিবা লাইদু অমখক্তনি হায়রবদি কনানো হংফম থোকই। পূম্নমক লাইনা শেম্বনি, য়েৎনফম লৈতে।

শুন্দ্রংদা লৈবা অতিংকোক হায়বসি মী মানবা লাই নত্তে, মীগুম্বা ওইনা লৌশিনবা লানগনি। অমম্বদগী হৌরকই হায়বনি, লোয়নাইদবা অহাঙবসি লোইনমক মঙাল ফংবা নত্তে। অমম্বদুদা অমুবা পোৎ লৈরম্লে, ব্লেক মেট্টর কৌরে। ব্লেক হোল অনী থেঙ্গাইনরগা মঙাল শেম্লে, থৱান্মীচাক কৌরে। লৈপুংথৌ শেল্লকপদগী ঐখোয় শেল্লকখ্রে। মসিনি ঙসি থাজনরিবসি। শাংখ্রবা মতমগী ৱারীনি তেন্না পঞ্জবনি। ঐখোয়গী লাইনিংগীদি ময়েক শেংনা য়াওই হায়জনীংই। লাই তোৎশিন্নবদগী ৱাখলসু তোৎশিন্নখিবা ওইগদৌরিব্রা খন্ননীংঙাই ওইরি। মহৌশা লাইরেন্বী হায়রিবসি মীওইবা ওইনা লৌশিনবা লানগনি, লাই হায়বসি মহৌশা ওইরকখ্রিবদু ওইগদৌরি। মীওইবগী ৱাখল লৌশিংনা পাক চাওখ্রবা অহাঙবসি শিনবা থুংনা ইনর্জি লৈব্রা হায়বসিগী পাউখুম ময়েক শেংনা পীবা ঙাইবা তারি। ●